## সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্টনা চাইনা, জপানগী লীদরশিংগা ৱারী শানখ্রে

সিওল, মে ১১ : সাউথ কোরিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট মূন জে-ইননা শগোলশেল নুমিৎতা চাইনা অমসুং জপানগী লুচিংবশিংগা ফোন তৌদুনা ৱারী শানখ্রে। মদুগী মমাঙদা মহাক্না য়ু এসকী মহাক্কী লেংমান্নবা দোনাল্ড ত্রম্পকা ৱারী শানখি। অনৌবা প্রসিদেন্টনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৈরবা নোর্থ কোরিয়াগা মরী লৈননা করি করি পায়খৎকদগে হায়বা য়েংলকপদা লুচিংবশিং অসিগা ৱারী শানখিবনি।

অনৌবা প্রসিদেন্ট মূননা মমাঙগী প্রসিদেন্টশিংনা তৌখিবশিংগা ওন্ন-তৈনবদা পিয়োংয়াংবু ৱারী শানবা য়াবগী ফীভমদা পুরক্নবা ইনগেজ তৌবা পামই। অমরোমদা, নোর্থকী মথক্তা অকনবা সেঙ্কসনশিং থম্বগী ৱাফম শৌগৎপা য়ু এসকী ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগা পিয়োংয়াংগী মথক্তা মিলিটরি এক্সন লৌখৎকনি হায়না কিহনখিবনি। তৌইগুম্বসুং মূননা রিজনেল ইস্যু কয়াসু য়েংশিনগদবনি।

নোর্থকী খ্বাইদগী চাউবা ট্রেদ পার্টনর অমসুং দিপ্লোমেটিক প্রোটেক্টর ওইরিবা বৈজিংনা সাউথতা য়ু এসকী মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেম অমা দিপ্লোই তৌবগী মতাংদা নুংনাংলি।

## ত্রম্পনা মফম লৌথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা কুমিনা রসিয়া প্রোবকী অহেনবা রিছোর্সশিং দিমান্দ তৌখি : ছোর্স





ৱাশিংটন, মে ১১ :

প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা মফম লৌথোক্কদবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা এফ বি আইগী দিরেক্টর জেমস কুমিনা লোমেকরশিংদা মহাক্কী এজেন্সিনা ত্রম্পকী প্রসিদেন্সিয়ল কেম্পেন অমসুং রসিয়াগী মরক্তা কুমজা ২০১৬ কী য়ু এস ইলেক্সনদা ঈথিল পীনবা লৌতুনবা লৈখিব্রা হায়বা খঙনবা চথুরিবা প্রোবকী অহেনবা রিছোর্সশিং লৌনবা হোৎনখি হায়না ফোঙদোকখি। ৱাফম অসি কোংগ্রেসকী ছোর্স অমনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবনি।

রিপব্লিকান প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা দেমোক্রেটিক লোমেকর কয়া অমসুং মশামক্কী পার্টিগী লোমেকর খরগী ক্রিটিসিজমশিং মায়োক্ন রকখিবগা লোয়ননা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা কুমিবু মথৌ পাঙথোকপদা ফত্তবা থৌওং কয়া চথুখি হায়না মরাল শীখ্রে অমসুং মহাকপু মফম লৌথোক্লিবদু এফ বি আইনা রসিয়ন কন্নেক্সনগী মরমদা থিজিল্লবদুগা মরী লৈনদে হায়খ্রে।

হ্বাইট হাউসতা রসিয়াগী ফোরন মিনিষ্টরবু য়ুমশকৈশা নুমিৎতা উনখিবা ত্রম্পনা ক্রিটিকশিংবু চৈথাংখ্রে অমসুং দেমোক্রেটশিংবু লৌনম তৌবা অফবা শাবশিংনি হায়না মরাল শীখ্রে অমসুং মহাক্না কুমিবু খুদক্তা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা কুমজা ২০১৩ দগী পাইরকখিবা মহাক্কী লো ইনফোর্সমেন্টকী ফমদগী লৌথোকখিবদু অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়খ্রে।

ষ্টাফতা থাবা কায়নবগী লেট্টর অমদা ত্রম্পকী মমাঙদা লৈরম্বা দেমোক্রেটিক প্রসিদেন্ট বারাক ওবামানা এপোইন্ট তৌখিবা কুমিনা হায়খি, ‘প্রসিদেন্ট অমনা এফ বি আইগী দিরেক্টর অমবু মরম অমদা হেক্তা নৎত্রগা মরম শুংলৈ লৈতনা মফম লৌথোকপা ঙমই হায়না মহাক্না মতম শাংনা থাজদুনা লাকখি।’

কুমিনা মখা তারদুনা হায়খি মদুদি, ত্রম্পকী ৱারেপ অদুদা নৎত্রগা মহাক্কী ৱারেপ অদুবু থবক ওইনা পাঙথোকখিবগী মওংদা ৱাখল থাদদুনা মহাক্না মতম মাংহল্লোই।

তৌইগুম্বসুং দেমোক্রেটশিংনদি কুমিবু মফম লৌথোক্লিবদু ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী প্রোব অদুদা অকায়বা থোকহন্নবনি হায়না মরাল শীখি অমসুং রসিয়ানা খুৎ থিংজিনখি হায়বা ৱাফমদুগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোক্নবা দিমান্দ তৌখি। কুমিবু মফম লৌথোক্লিবদু রসিয়াগা মরী লৈননা তৌখিবা অরান-অহুইশিং কূপশিন্নবা হোৎনবা অমনি হায়না দেমোক্রেট খরনা মরাল শীখি।

ৱাফম অদুগী মতাংদা নোলেজ লৈবা কোংগ্রেসকী ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, কুমিনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লোমেকরশিংদা জষ্টিস দিপার্টমেন্টতা মহাক্না রসিয়া প্রোব অদুগীদমক অহেনবা রিছোর্সশিং পীনবা মরু ওইনা ষ্টাফ হেনগৎহন্নবা দিমান্দ তৌবা লৈখি।

## বাংলাদেশতা পুলিসনা রেইদ চথবদা ইমুং অমগী মীওই মঙা সুইসাইদ ব্লাষ্টশিংদা শিখ্রে



ধাকা, মে ১১ :

বাংলাদেশকী রাজসাহি দিষ্ট্রিক্টতা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমনি হায়না চিংনবা মফম অমদা শগোলশেল নুমিৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা রেইদ চথরিঙৈ মনুংদা পাঙথোরকখিবা সুইসাইদ ব্লাষ্টশিংদা মিলিটেন্ট মঙা অমসুং ফায়র ফাইটর অমা শিখ্রে হায়না পুলিসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

লোকেল মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, শিখিবা মিলিটেন্ট মঙাদুগী মনুংদা অনীদি নুপীশিংনি। ব্লাষ্টতা শিখিবা ফায়রমেন অদু অব্দুল লাটিফ কৌই হায়বা খঙলে।

অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা কেপিটেল ধাকাদগী নোংচুপলোম কিলোমিটর ২০০ রোম লৈবা লোৎফম অদুদা রেইদ তৌখি। পুলিসকী মতুং ইন্না, সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা য়ুম অমা কোইশিনখি।

ওপরেসন অদু শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবা পুং অহুমলোম তাবদগী হৌখি। পুলিসনা মিলিটেন্টশিং অদুদা হঞ্জিন-হঞ্জিন সরেন্দর তৌনবা হায়খি তৌইগুম্বসুং মখোয়না য়াখিদে।

অথিংবা থমখ্রবা নিও-জামাটুল মুজাহিদ্দিন বাংলাদেশ (জে এম বি) মিলিটেন্ট গ্রুপকী মেম্বরশিংনা লোৎলিবা য়ুম অদুদা চঙনবা পুলিসনা হোৎনখিবা মতমদা মিলিটেন্ট মঙা মশা পোকখায়জখি। এটেক অদুদা শোক্লবা পুলিসমেন অনী হোস্পিটালাইজ তৌখি। শোক্লবা এম আই উটপাল অমসুং কোন্সটেবল টাজুল ইস্লাম রাসাহি মেদিকেল হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

মিলিটেন্টশিং অদু য়ুমদুগী মপু সাজাদ হোশাইন, মহাক্কী লোইনবী বেলি, মচানুপা অনী অলামিন অমসুং সোয়াইব অমসুং মচানুপী করীমানি হায়না থাজনরি। সাজাদকী অতোপ্পা মচানুপী সুমাইয়াসু মতম অদুদা য়ুমদুগী মমাঙদা লৈবা ফিল্ডদা ফমদুনা লৈবা উখি।

পুং অহুমগী মনুংদা মহাক (সুমাইয়া) পুলিসতা সরেন্দর তৌখি। পুলিসনা হায়খি, এটেক অদুগী মমাঙদা সুমাইয়াগী চহী নিপানগী মচানুপা য়ুমদুদগী থা অহুমদা ঙাইরিবী মচননুপীগা লোয়ননা থোক্লমখি। তুংদা পুলিসনা মখোয়বু মফমদুদগী পুথোকখি।

অথিংবা থমখ্রবা মিলিটেন্ট আউটফিট জমাটুল মুজাহিদীন বাংলাদেশকী ফেক্সন নিও জে এম বিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী জুলাই ১ দা ধাকাদা লৈবা কেফে অমদা শাথিরবা এটেক অমা চথখি। মদুদা অয়াম্বনা মীরৈবাকমচাশিং ওইদুনা মীওই ২২ শিখি।

## পাকিষ্টান, অফঘানিষ্টাননা গূগল মেপস শিজিন্নরগা বোর্দরগী য়েৎনবশিং লৈখায় তানবা হোৎনগদৌরি

কান্দাহার, মে ১১ : হৌখিবা চয়োলদা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবখিবগী মরু ওইবা মরম ওইরিবা বোর্দরগী য়েৎনবা লৈখায় তাবদা মতেং ওইনবা পাকিষ্টান অমসুং অফঘানিষ্টাননা গূগল মেপশিং শিজিন্ননবা থৌরাং তৌরি হায়না নাকল অনীগী ওফিসলশিংনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা পাকিষ্টানি সেন্সস টিম অমা লাম্নীশিংগা লোয়ননা সাউর্দন বোর্দরগী পরিংদা লৈবা য়েৎনরিবা ভিলেজশিংদা লাম্নীশিংগা লোয়ননা চৎখিবা মতমদগী হৌখিবা খুৎ থোক্লবদা নাকল অনীমক্তা য়ামদ্রবদা মীচম নিপান শিখ্রে।

পাকিষ্টান্না কুমজা ১৯৪৭ তা বৃটেনদগী নিংখা-তম্না ফংখিবা মতমদা লৈবাকসিগী নোংচুপ থংবা য়ুল্লোন্নবগা য়েৎনবা লৈবা কিলোমিটর ২,৪০০ গী বোর্দরসু য়াওরকখি। তৌইগুম্বসুং অফঘানিষ্টান্নদি বৃটিশনা পীখিবা বোর্দর পরিংদু রিকগনাইজ তৌদনা লাকখি। ওফিসল অফঘান মেপশিংদা ‘দুরান্দ লাইন’ হায়রিবসি উৎলবসু লৈবাক অসিগী নেসনেলিষ্ট কয়ানা মখোয়গী লৈবাক্কী অশেংবা বোর্দরদি পাকিষ্টান ফাওদুনা চেল্লিবা অমসুং ইন্দিয়াগী মমিংগী হৌরকফম ওইরিবা ইন্দজ তুরেলদা লোইশ্নদবনি হায়না থাজে।

‘লৈবাক অনীগী জিওলোজিকেল সর্ভে দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসলশিংনা সর্ভে অমা পাঙথোক্কনি অমসুং মখোয়না গূগল মেপশিং শিজিন্নগনি’ হায়না পাকিষ্টানি সিক্যুরিটিগী সিনিয়র ছোর্স অমনা ইস্লামাবাদতা পাউমীশিংদা হায়খি।

অফঘানিষ্টানগী কান্দাহার প্রোভিন্সকী পুলিস চীফ অব্দুল রাজকনা হায়খি, নিগোসিয়েসন চথরবা মতুংদা নাকল অনীনা জিওলোজিকেল সর্ভে অমা পাঙথোকপগী ৱাফম য়ানরে।

‘লৈবাক অনীগী টেক্নিকেল টিমশিংনা পাউখুম ফংনবা জি পি এস অমসুং গূগল মেপশিং লোয়ননা অতৈ পাম্বৈশিং শিজিন্নগনি।’ ইন্টরনেট ফার্ম গূগলনা তাংদাংবা লৈবাক খরদা লোকেল্ল লোশিং ইনবগা লোয়ননা তঙাই ফদনা নেসনল দিমান্দশিংগা চাননা বোর্দরশিং উৎলি। খুদম ওইনা, গূগলগী ইন্দিয়ন সাইটতা য়েৎনরিবা কাশ্মির অপুম্বা ইন্দিয়ানা কন্ট্রোল তৌবা ওইনা উৎলি। অদুম ওইনমক পাকিষ্টানদদি গূগলনা মালেমনা রিকগনাইজ তৌবা দি ফেক্টো বোর্দর লাইন ওফ কন্ট্রোল উৎলি।

## নোর্থ ৱেষ্টর্ন চাইনাদা য়ুহা হাবদা মীওই ৮ শিখ্রে, ২৩ শোকখ্রে



বৈজিং, মে ১১ : চাইনাগী নোর্থ ৱেষ্টর্ন সিনজিয়েং উইঘুর ওটোনোমস রিজন শগোলশেল নুমিৎতা মেগনিট্যুদ ৫.৫ গী য়ুহা হাবা অমনা নিকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ৮ শিখ্রে অমসুং অতৈ ২৩ না অশোক-অপন নংখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা য়ুহা হাবা অদুদা মীওই ১২,০০০ হেন্না অৱা-অনা নংহনখ্রে। পুন্না মীওই ৯,২০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকখ্রে হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোক্লি।

রেস্ক্যু ওপরেসনশিং পাঙথোক্ন বগীদমক লাম্নী অমসুং পুলিস ওফিসর ১০০০ হেন্না অমসুং সিভিল্যান ১,৫০০ য়ুহা হাবনা শোকহল্লবা এরিয়াশিংদা চঙশিনখ্রে হায়না ক্বেক ইমরজেন্সি রেস্পোন্স হেদক্বার্টরসনা হায়রি।

কাউন্টি সিটি অদুগী রুলিং কম্যুনিষ্ট পার্টিগী চীফ ৱাং ফ্যুনা হায়খি, য়ুহা হাবা অদুগী মতুংদা অকনবা অফটরসোক কয়াসু থোকখি। কাউন্টিদুগী য়ুমশিংগী ৱালশিং ময়ী চৎপা উখি। এপিসেন্টরগী মনাক্তা য়ুম খরা নিংখায়বদগী মীওই খরা ফুমজিনখ্রে হায়না ৱাংনা ফোঙদোকখি।

য়ুহা হাবা অদুদা খ্বাইদগী হেন্না শোকখিবা মীওই ৪৪৯ লৈবা কুজগন ভিলেজদা সার্চ ওপরেসনশিং পাঙথোক্নবা কাউন্টি অদুগী গভর্ণমেন্টনা সিক্যুরিটি পার্সনেল থাখ্রে।

কুজগন ভিলেজদা শা-ষণ ৮২০ শোকখ্রে নৎত্রগা শিখ্রে অমসুং য়ুম ১,৫২০ নিংখায়খ্রে। য়ুহা হাবনা শোকহল্লবা এরিয়াশিং য়াওনা কাউন্টি সিটি অদুগী পৱার সপ্লাই নেটৱার্কমহৌশাগুম্না ওপরেট তৌরি হায়না লোকেল্ল পৱার কম্পেনিনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক ফাওবদা সিনজিয়েং সাইজমোলোজিকেল ব্যুরোনা য়ুহা হাবা মতুংদা অফটরসোক ৮২ রেকোর্দ তৌখ্রে। কিলোমিটর ৮ লুবা এপিসেন্টর অদু পামির প্লাটুগী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা ওইখি।

**FREE 3 MONTHS TRAINING COURSE FEE WITH DRESS**
**100% JOB ASSISTANCE**

| Sl. | Course Available | Qualification | Ages |
|---|---|---|---|
| 1. | S.S. Selling Skills | Graduate | 18 to 30 yrs. |
| 2. | O.A. Office Administration | Graduate | 18 to 30 yrs. |
| 3. | R.S. Retail Sales | Graduate | 18 to 30 yrs. |
| 4. | W.D. Web Designing | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 5. | R.C.O. Retail Cafe Operations | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 6. | E.H.A. Electrical & Home Appliances Repair | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 7. | R.A.C. Refrigerator and A.C. Repair | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 8. | P & M Pumps and Motor Repair | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 9. | C.A.C. Central Air Conditioning | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 10. | P.A.T. Paint Application Techniques | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 11. | T.M. Tractor Mechanic | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 12. | L.A.D.C Lab Assistant at Diagnostic Centre | X to XII | 18 to 30 yrs. |
| 13. | T.W.S.I Two or three wheeler Service Technician | X to XII | 18 to 30 yrs. |

URGENT JOB VACANCIES
*For Ex-Servicement & Freshers*

| Sl. | Name of Post | Ages | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. | Security Guard | upto 50 years | 13000 & above |
| 2. | Security Supervisor/Gun Man | upto 50 years | 14500 & above |
| 3. | Security Officer/Assistant Security Officer | upto 50 years | 16000 & above |
| 4. | Training Instructor | upto 50 years | 18000 to 30000 |
| 5. | Driver | upto 50 years | 13000 & above |

MULTIPLE JOB VACANCIES

| Sl. | Name of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|
| 1. | Home Tutor | XII & above | Negotiable |
| 2. | Driver | VIII & X passed | 6000 to 13000 |
| 3. | Attendant/Receptionist | X & XII above | 4000 & above |
| 4. | Cook/House keeping | VIII & above | 6000 to 12000 |
| 5. | Security Supervisor | XII passed | 6000 to 12000 |
| 6. | Security Guard | VIII & above | 5000 to 9000 |

**Last date of form submission: 18/05/2017**
**Interview Date : 19/05/2017**
Office Hour : 9:30 A.M.- 4 P.M.

*For more details Please contact :*
☎ 8794829055 / 7424017313
LIFE CARE JOB CONSULTANCY
SAGOLBAND SALAM LEIKAI

HL-P/0195/9-16 May

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER FOR BYE-ELECTION BY THE ELECTED MEMBERS OF THE LEGISLATIVE ASSEMBLY TO FILL A VACANCY IN THE COUNCIL OF STATES**

**NOTIFICATION**
Imphal, the 8th May, 2017

**No. 3/4(2)/2017-LA(Legn.) :** In pursuance of the provision of sub-section (1) of section 29 of the Representation of the People Act, 1951, I, M. Ramani Devi, Returning Officer for the Bye-Election to fill the vacancy in the Council of States, hereby fix, with the previous approval of the Election Commission, the Committee Room, Manipur Legislative Assembly Secretariat, Chingmeirong, Imphal as the place at which a poll shall be taken in pursuance of the Election Commission's Notification No. 1/16/ELEC/BE/CS/Gazette/2017 dated 8th May, 2017.

Sd/- **M. Ramani Devi**
Returning Officer and
Secretary, Manipur Legislative Assembly

HL-P/3862/12

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER FOR BYE-ELECTION BY THE ELECTED MEMBERS OF THE LEGISLATIVE ASSEMBLY TO FILL A VACANCY IN THE COUNCIL OF STATES**

**[FORM 1]**
See Rule 3

**NOTICE OF ELECTION**

Notice is hereby given that :-

(1) an election is to be held of a member(s) to the Council of States by the elected members of the Manipur Legislative Assembly;

(2) nomination papers may be delivered by a candidate or by any of his proposers to the Returning Officer or to Shri Rohit Sapam, Assistant Returning Officer, at Manipur Leigislative Assembly Secretariat, Imphal between 11:00 a.m. and 3:00 p.m. on any day (other than public holiday) not later than the 15th May, 2017;

(3) forms of nomination paper may be obtained at the place and time aforesaid;

(4) the nomination papers will be taken up for scrutiny at Manipur Legislative Assembly Secretariat on Tuesday, 16th May, 2017 at 11:00 a.m.;

(5) notice of withdrawal of candidature may be delivered either by a candidate or by any of his proposers or by his election agent who has been authorised in writing by the candidate to deliver it to either of the officers specified in paragraph (2) above at his office before 3:00 p.m. on Thursday, 18th May, 2017;

(6) in the event of the election being contested, the poll will be taken on Thursday, 25th May, 2017 between 9:00 a.m. to 4:00 p.m.

Sd/- **M. Ramani Devi**
Returning Officer and
Secretary, Manipur Legislative Assembly

HL-P/3861/12




## EMPLOYMENT NEWS

### SSCNR Recruitment – SSC Northern Region – 200 Junior Grade of Indian Information Service, Section Officer (Horticulture), Scientific Assistant & Various Vacancy – Last Date 07 June 2017

**SSCNR Recruitment 2017**

SSC Northern Region invites application for the post of 200 Junior Grade of Indian Information Service, Section Officer (Horticulture), Scientific Assistant & Various Vacancy. Apply Online before 07 June 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : 1/1/2017-ND-III

**Job Details :**
Post Name : Junior Grade of Indian Information Service
No. of Vacancy : 25 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Section Officer (Horticulture)
No. of Vacancy : 17 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Scientific Assistant
No. of Vacancy : 12 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-

**Eligibility Criteria for SSCNR Recruitment :**
Educational Qualification :
For Junior Grade of Indian Information Service : Degree of a Recognised University or equivalent and Diploma in Journalism from a Recognised University / Institution or equivalent.
For Section Officer (Horticulture) : B.Sc. in Agriculture or botany or Horticulture from a recognized university or Institute.
For Scientific Assistant : Master's Degree in Physics or Geophysics or Geology or Meteorology or Hydrometeorology from a recognized university or Bachelor's Degree in Physics or Geophysics or Geology or Meteorology or Hydrometeorology from a recognized university with two years' experience in Hydro meteorological work.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years as on 07.06.2017

**Job Location : Delhi**

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Net-Banking/Credit Cards/Debit Cards. All Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe, Physically Handicapped and Ex-Servicemen, eligible for reservation, are exempted from paying application fee.

**How to Apply SSCNR Vacancy :** Interested Candidate may apply Online through the website http://ssconline.nic.in on or before 07.06.2017 thereafter website link will be disabled.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 07.06.2017

**Important Links :**
Details Advertisement Link : http://sscnr.net.in/newlook/downloads/2017/notice_8517.pdf
**Apply Online :** http://ssconline.nic.in/

### SSB Recruitment – Sashastra Seema Bal – 355 Constable (GD) Sports Quota Vacancy – Last Date within 30 Days from the Date of Advertisement

**SSB Recruitment 2017**
Sashastra Seema Bal (SSB) invites Application for the post of 355 Constable (GD) under Sports Quota for the year 2016-17 & 2017-18. Apply before within 30 days from the date of advertisement in the Employment News.

**Job Details :**
Post Name : Constable (General Duty) under Sports Quota
No. of Vacancy : 355 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 21700/- (Per Month)
Details of Vacancies :

Football, Athletics, Volleyball, Basketball, Handball, Kabaddi, Aquatics, Cross- Country, Judo, Hockey, Fencing, Water , Sports, Wrestling, Boxing, Weight- lifting, Gymnastics, Wushu Taekwondo, Archery, Sepaktakraw, Shooting (Sports), Equestrian and Cycling

**Eligibility Criteria for SSB Recruitment :**
Educational Qualification : Matriculation or its equivalent from a recognized board and Players who have participated in any International Sports events as a member of the Indian Squad for last 01 (One) year and players who have won medal(s) in any National Games/ Championships recognized by Indian Olympic Association, Sports Federation of (concerned sport) for last 01 (One) year.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 23 years
Age Relaxation : SC/ST Category 05 years & OBC Category 03 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Physical Standard Test , documentation & written examination.
**Application Fee :** General/OBC category candidates have to pay Rs. 100/- through IPO/Demand Draft/ Banker Cheque i.e. IPO should be prepared in favour of in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at New Delhi & Demand Draft / Banker Cheque should be prepared in favour of Accounts Officer, FHQ, SSB, New Delhi payable at State Bank of India, R.K. Puram, New Delhi (Branch Code-01076).

**How to Apply SSB Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with self attested photocopies of age, qualification, experience, caste certificate, Bonafide/ Domicile/ Permanent residence certificate, Two self-attested recent passport size photographs, Two self-addressed envelopes of 11.5 cms x 27.5 cms with postage stamps worth Rs. 25/- affixed in & in an envelope should be superscribed as "Application For The Post Of Constable (GD) Under Sports Quota – 2016-17 & 2017-18? send to the Assistant Director (Sports) Force Hqr., Sashastra Seema Bal (SSB), East Block-V, R.K.Puram, New Delhi -110066 within 30 days from the date of advertisement in the Employment News & within 45 days from the date of advertisement for remote areas.

**Important Dates to Remember :**
Date of Advertisement : 06.05.2017 to 12.05.2017
Last Date for Submission of Application : within 30 days from the date of advertisement in the Employment News
*Important Links :*
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.ssbrectt.gov.in/docs/Advt%20sports%20quota%202017%20in%20SSB.pdf